# পঞ্জাব পুলিসনা হাৎখিবা মুসেৱালাগী সুটরশিংনা খুৎ থোক্লরিঙৈ মনুংদা গোলদি ব্রারদা কোল তৌখি



ন্যু দিল্লি, জুলাই ২৫ (এজেন্সী): হন্দক্তা ইন্দিয়া-পাকিস্তান বোর্দরগা নক্লনা লৈবা মী লৈনদ্রবা য়ুম অমদা পঞ্জাব পুলিসনা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখিবা পঞ্জাবি শৈশকপা সিদু মুসেৱালাগী এসেলেন্ট অনী অদুনা খুৎ থোক্লরিঙৈ মনুংদুদা অরোইবা ওইনা কানাদাদা বেজ ওইবা গেঙ ষ্টর গোলদি ব্রারদা কন্টেক্ট তৌরমখি হায়রি।

পনবা য়াবদি বিস্নোই গেঙগী মেম্বর অমা ওইরিবা ব্রারনা অহানবা ওইনা মুসেৱালাগী মীহাৎ অদু মখোয়গী খুৎনি হায়না ক্লেম তৌখিবনি।

সোসল মেদিয়াদা ভাইরেল ওইরবা ফেসবুক পোষ্ট অমদা পুলিসকী খুৎতা শিখ্রবা সুটর অনী জগরুপ রুপা অমসুং মনপ্রিট মানু অনীবু গেঙ ষ্টর ব্রারনা কোল তৌখি। পুলিস ফোর্সতা পুং ৬ হেন্না নোংমৈ কাপ্নরিঙৈ মনুংদুদা ব্রারনা মখোয়দা কোল তৌখিবনি হায়রি।

পঞ্জাবি লোনদা ইখিবা ব্রারনা পোষ্ট অদুদা হায়খি, মদুদি খুৎ থোক্লরিঙৈ মনুংদুদা জগরুপ রুপনা ঐঙোন্দা কোল তৌদুনা পুলিসনা মখোয়বু মায়কৈ খুদিংমক কোয়শিল্লে হায়না তল্লমখি। ঐহাক্না মঙোন্দা সরেন্দর তৌনবা হায়খি অমসুং মহাকপু থাদোক্লবা শোয়দনা শিনগনি হায়না থাজবা পীখি। তৌইগুম্বসুং মহাক্না মখোয় অরোইবা পার্ফোমেন্স উৎপা পাম্মী হায়না ঐঙোন্দা ফোঙদোরকখি।

মখা তারদুনা ফেসবুক পোষ্ট অদুদা ব্রারনা ইখি, মদুদি সিদু মুসেৱালাবু মীওই তরুক্লা হাৎখিবনি হায়রিবা মীওইশিং অদুদা ঐহাক্না হায়নিংলিবদি মুসেৱালাবু হাৎখিবা মতমদুদা মীওই তরুক লৈখিবা ওইরবসু মীওই অনীগী মায়োক্তা পুলিস পার্সনেল লিশিং অমনা খুজিং ওইরগা লৈখিবনি।

মুসেৱালাবু হাৎনবগীদমক্তা বিস্নোইদা সাফ সুটরশিং পীখি হায়রিবা জাগু বাগৱানপুরিয়া গেঙগী মেম্বরশিংনি হায়না থাজবা সাফ সুটরশিং মনপ্রিট মানু অমসুং জগদিপ রুপা অনী অসি জুলাই ২১ দা ইন্দিয়া-পাকিস্তানগা নক্লবা অমৃটসর দিষ্ট্রিক্টতা পঞ্জাব পুলিসকা খুৎ থোক্লবদা পুলিসনা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখিবনি।

ব্রারনা সোসল মেদিয়া পোষ্ট অমদা মখা তানা হায়খি, মদুদি লৈখিদ্রবা সাফ সুটর অনীগী ইমুংশিংদা মহাক্না মতেং পাঙগনি। মখোয়না ঐহাক্কীদমক্তা তৌখিবা কয়া অদুগীদমক্তা ঐহাক্না মতম চুপ্পদা মখোয়বু মতেং পাঙনবা শেম শাদুনা লৈগনি হায়না মহাক্না ইখি।

পঞ্জাবি লোনগী মমিং লৈরবা শৈশকপশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা মশাগী চহী ২৮ শুরবা মুসেৱালা হৌখিবা মে ২৯ দা মীওই তরুক্লা পঞ্জাবকী মন্সা দিষ্ট্রিক্টকী জৱাহরকে ভিলেজকা নক্লনা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখিবনি। মখোয়না মুসেৱালাদা নোংমৈ মরু ৩০ হেন্না কাপশিনখি।

শৈশকপা সিধু মুসেৱালা অসি মহিন্দ থার এসয়ুভি অমগী দ্রাইভিং সিটতা মশাগী ঈ মরক্তা লৈরম্বা থেংনখি। মহাক্কী মরুপশিং ওইরিবা কার অদুদা তোংলিবা অতোপ্পা মীওই অনী গুরুৱিন্দর সিংহ অমসুং গুলপ্রিট সিংহসু এটেক অদুদা নোংমৈনা পান্দুনা শোক্লবসু মখোয় হিংখি।

সুটর তরুক্তুগী মনুংদা সুটর অহুম প্রিয়াব্রদ, কাসিস অমসুং অঙ্কিট পঞ্জাব পুলিসকী স্পিসল সেলনা ফারে অমসুং মনপ্রিট মানু অমসুং জগদিপ রুপানা পঞ্জাব পুলিসকী টিম অমনা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখি। সাফ সুটর অমদি হৌজিক ফাওবা থিবা খঙদনা লৈরি।

# প্রসিদেন্ট দ্রৌপদি মুরমু ৱাশক লৌবগী থৌরমদা নিতিস কুমার য়াওখিদ্রে



পাটনা, জুলাই ২৫ (এজেন্সী): নেসনেল কেপিটেলদা নিংথৌকাবা নুমিত্তা পাঙথোকখিবা প্রসিদেন্ট দ্রৌপদি মুরমু ৱাশক লৌবগী থৌরমদা বিহারগী চীফ মিনিষ্টর নিতিস কুমার শরুক য়াখিদ্রে।

মরু ওইরবা থৌরম অদুদা মহাক্না য়াওখিদবা অসিনা বিজেপি অমসুং জেদি-য়ুগী মায়োক্তা য়ান্নদবা কয়া লৈ হায়বসি মপান থোক্লা উৎথোক্লে হায়রি।

নিতিস কুমারনা থৌরম অদুদা য়াওখিদবা অদুগী মতাংদা এক্সপ্লেনেসন অমা পীরদুনা জনতা দল-য়ুনাইটেদকী পার্লিয়ামেন্টরি বোর্দকী চীফ উপেন্দ্র কুসৱাহানা হায়খি, মদুদি চীফ মিনিষ্টরনা থৌরম পুম্নমক্তা য়াওগদবনি হায়বদি লৈতে। প্রসিদেন্ট খনবগী মীখলদা জেদি-য়ুনা মুরমুনা কেন্দিদেট ওইবগী ৱাফম অসিবু শৌগৎখিবনি।

প্রসিদেন্ট দ্রৌপদি মুরমুনা মীখলগী কেম্পেইনগা মরী লৈননা পাটনাদা চৎখিবা মতমদা নিতিস কুমারনা মহাক্কী পার্টিনা মুরমুবু শৌগৎকনি হায়না থাজবা পীখি।

ৱাশক লৌবগী থৌরমদা শরুক য়াবা হায়বসি ফোর্মেলিটিগী ৱাফমনি। থৌরম খুদিংমক্তা য়াওবগী মথৌ তাদে। বিহারদা মহাক্না তৌগদবা কয়া লৈবনা ৱাশক লৌবগী থৌরম অদুগীদমক্তা মহাক নেসনেল কেপিটেলদা চৎপা ঙমখিদবনি। মসি অচৌবা ইস্যু অমা নত্তে। মীয়াম্না মসিদা পুক্নিং লূপশিনবগী থৌওং লেপকদবনি হায়না কুসৱাহানা ফোঙদোকখি।

কুমজা ২০২৪ দা পাঙথোক্ক-দৌরিবা লোক সভা মীখলগী মাঙওইননা পার্টিগী অৱাংবা থাক্কী মীফম অমা পাঙথোক্লবগীদমক্তা বিজেপিগী লূচিংবশিং অমিট সহা অমসুং জেপি নদ্দানা পাটনা খোঙচৎ অমা চৎকনি হায়বা ৱাফমগী মতাংদা পল্লদুনা কুসৱাহানা হায়খি, মদুদি বিহারদা নিতিস কুমারনা খ্বাইদগী চাওবা লিদরনি। অতোপ্পা পার্টিগী টোপ লিদরশিংনা বিহারদা লাকপা হায়বসি ঐখোয়গা থোইদোক্লা মরী লৈনদে হায়নিংই।

কুসৱাহানা অমিট সহাগী মরমদা ফোঙদোক্লিবা ৱাফম অসিনা বিহারদা বিজেপি অমসুং জেদি-য়ুগা লৈনরিবা মরী অসি ইফা ফরক্ত্রে হায়বগী ইঙ্গিৎ পী হায়রি।

# ‘অর্পিতা মুখর্জিগী য়ুমদগী ফাগৎখিবা এসেটশিং থাঙ্গৈশেংবা রিজার্বকী শরুক খরদনি’



বেঙ্গলুরু, জুলাই ২৫ (এজেন্সী): ৱেষ্ট বেঙ্গলগী কর্ম্মস এন্দ ইন্দষ্ট্রিজ মিনিষ্টর পর্থ চেত্তর্জিগী নকশিন্নবা এইদ অমা ওইরিবা অর্পিতা মুর্খর্জিগী য়ুমদগী রিকোভর তৌখিবা এসেটশিং অদু থাঙ্গৈশেংবা রিজার্বকী পীক্লবা শরুক খরদনি হায়না ৱেষ্ট বেঙ্গল স্কুল সার্ভিস কম্মিসন (দল্লিয়ু বি এস এস সি) রিক্রুটমেন্টগী ইরিগুলারিটিশিংগী মতাংদা থিজিল্লিবা ইনফোর্সমেন্ট দিরেক্তরেট (ইদি) গী ওফিসলশিংনা থাজরি।

এসেটশিং অদু রিকোভর তৌখিবা মতমদা ইদিগী স্লুটশিংনা মুর্খর্জিনা প্রাইভেট মনি ট্রান্সফর এজেন্টশিংগী লম্বী শীজিন্নদুনা য়াল্লবা শেনফমশিং ট্রান্সফর তৌখি হায়বগী ইঙ্গিৎ পীবা অতৈ চিংননিংঙাই ওইবা দোক্যুমেন্টশিং থেংনখি। দোক্যুমেন্টশিং অদুনা তাংদাংবা শেনফম অমা হৱালা রুটকী খুথাংদা বাংলাদেশতা ট্রান্সফর তৌখি হায়বগী ইঙ্গিৎসু পীখি। হৌজিক ফাওবদা পর্থ চেত্তর্জিগী টেপ অসিদগী রিকোভর তৌরিবসি লুপা ক্রোর ২১.২০ রোমগী ওইগদবা ইন্দিয়ন করেন্সি, লুপা লাক্ষ ৯০ রোমগী ওইগদবা সনাগী লিক কোনশিং, লুপা লাক্ষ ৬০ রোমগী ফোরেন করেন্সি, অফবা মখলগী স্মার্ট ফোন কয়া, ফ্লেট কয়াগী সেল দিদশিং অমসুং লকজরি ভেহিকল কয়া মপু ওইবগী দোক্যুমেন্টশিংনি।

প্রাইভেট নত্তগা হৱালা রুটশিং অসিগী খুথাংদা ট্রান্সফর তৌখিবা শেনফম অদু চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি হায়না ইদিগী সোর্সশিংনা ফোঙদোরক্লি।

# পিএসআই রিক্রুটমেন্ট ৱাথোক: ফারবা এদিজিপিগী বেল প্লি রিজেক্ট তৌখ্রে



বেঙ্গলুরু, জুলাই ২৫ (এজেন্সী): কর্নাটকাগী পুলিস সব ইন্সপেক্তর (পিএসআই) রিক্রুটমেন্টগী ৱাথোক্কা মরী লৈননা ফারবা এদিস্নেল দিরেক্তর জেনরেল ওফ পুলিস (এদিজিপি) অমৃট পোলনা ফাইল তৌখিবা বেল পিটিসন নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফাষ্ট এদিস্নেল চীফ মেট্রো পোলিটান কোর্টনা রিজেক্ট তৌখ্রে।

ক্রিমিনেল ইনভেষ্টিগেসন দিপার্টমেন্ট (সিআইদি) গী কাউন্সেল স্পিসল পব্লিক প্রোসিক্যুটর (এসপিপি) প্রসান্তকুমারনা ফারবা এদিজিপি অদুদা বেল পীদনবা কোর্টতা আপিল তৌখি।

মহাক পিএসআই পোষ্টশিংগী রিক্রুটমেন্টগী একজাম কন্দক্ট তৌবগী চার্জ পায়রিবা মীশকনি হায়রদুনা এদিজিপি অদুদা বেল পীদনবা এসপিপিনা কোর্টতা আপিল তৌখিবনি।

এসপিপি প্রসান্তকুমারনা হায়খি, মদুদি এক্যুজ অসি অন্সর স্ক্রৃপ্টশিং থল্লিবা ষ্ট্রোং রুমগী ছোজৈশিং পায়খি। মহাক্না শেল পীদুনা ৱানোমখিবা কেন্দিদেটশিংগীদমক্তা অন্সর সিটশিং শেম শাখিবা অতৈ এক্যুজশিং অদুদা ছোজৈশিং অদু শীন্নখিবনি।

ফোরেন্সিক সাইন্স লেবোরেটরি (এফএসএল) গী ইনভেষ্টিগেসনদা ওএমআর সিটশিং শেম শাখি হায়বসি প্রুভ তৌরে। অদুনা ফারবা এদিজিপি অমৃট পোলনা থারিবা বেল প্লি অসি খন্নরোইদবনি হায়না এসপিপিনা মহাক্কী আর্গুমেন্টদা কোর্টতা হায়খি।

# লোক সভাগী স্পিকর ওম বিরলানা কংগ্রেসকী এমপি মরি সেসন অপুম্বগী ওইনা সস্পেন্দ তৌখ্রে




ন্যু দিল্লি, জুলাই ২৫ (এজেন্সী): ওপোজিসন্না হাউসকী প্রোসি-দিংসতা লেপ্তুনা অকায়বা পীরিঙৈ মরক্তা লোক সভাগী স্পিকর ওম বিরলানা প্রোটেষ্ট তৌরিবা কংগ্রেসকী এমপি মরি নিংথৌকাবা নুমিত্তা হৌজিক চঞ্চরিবা পার্লিয়ামেন্টকী সেসনগী লেমহৌরিবা মতম পুম্বগী ওইনা সস্পেন্দ তৌখ্রে।

মদুগী মতুংদা লোক সভা লৈবাকপোকপা নুমিৎ ফাওবা এদজোর্ন তৌখি। কংগ্রেসনা লুচিংবা ওপোজিসন্না ইনফ্লেসন অমসুং চিঞ্জাক্কী আইটেমশিংদা গুদস এন্দ সার্ভিসেস টেক্স লৌবগী ইস্যুশিংগা মরী লৈননা লৱার হাউসকী মনুংদা দিমোন্সট্রেসন চঞ্চখি। মদুনা মরম ওইদুনা লঞ্চ রিসেস মতুংদা হাউসকী প্রোসিদিংস নুংথিল পুং ৩ ফাওবা এদজোর্ন তৌখি। ওপোজিসনদা আপিল তৌরদুনা স্পিকর বিরলানা হায়খি, মদুদি মীয়াম্না পার্লিয়ামেন্ট নীংথিনা ফজনা তৌবা পাম্মী অমসুং ওপোজিসন্না পুখৎলক্লিবা ইস্যুশিং খন্ননবা গভর্ণমেন্টনা শেম শাদুনা লৈ। সস্পেন্দ তৌখিবা কংগ্রেসকী এমপিশিং অদুদি মনিকম টেগোর, টিএন প্রথাপন, জোথি মনি অমসুং রাময়া হরিদাসনি।

অদুম ওইনমক ওপোজিসন এমপিশিংনা স্লোগান কয়া লাউদুনা অমসুং প্লে কার্দ কয়া পায়দুনা স্পিকরগী মমাঙদা চঙশিন্দুনা প্রোটেষ্ট চঞ্চখি। মদুদা গভর্ণমেন্টনা ওপোজিসনগী ইস্যুশিং খন্ননবা শেম শাদুনা লৈ। মীয়াম্না পার্লিয়ামেন্টকী প্রোসিদিংসতা অকায়বা পীবা পামদে হায়না প্রোটেষ্ট তৌরিবা এমপিশিং অদুদা বিরলানা হায়খি।

মহাক্না মখা তারদুনা করিগুম্বা মেম্বরশিংনা প্লে কার্দশিংগা লোয়ননা প্রোটেষ্ট তৌবা পাম্লবদি মখোয় হাউসকী মপানদা প্রোটেষ্ট তৌবা য়াগনি হায়খি অমসুং হাউস মনুংদা প্লে কার্দ শীজিন্নবা য়ারোই হায়না ৱার্নিং তৌখি। কংগ্রেসকী এমপি মরিনা স্পিকরগী ৱা তাদনা মখা তানা প্রোটেষ্ট চঞ্চবদগী মমৈথংদা মখোয়বু স্পিকরনা সেসন অপুম্বগী ওইনা সস্পেন্দ তৌখিবনি।

ꯑꯗꯚꯔꯇꯥꯏꯖꯃꯦꯟꯇ

**Resonance®**
Educating for better tomorrow

**1 Year Regular Course for JEE (Main+Advance) Target-2023**
* 6 hours class daily
* Test series from Resonance Kota
* Classes from best faculties from Resonance Kota.
**STUDY MATERIALS FROM RESONANCE KOTA RAJASTHAN**

Admission through a Scholarship Test
91-100% score - Free Admission
81 - 90% score - 50% Concession
Office Hours - 10:00 am to 7:00 pm.
Nachom Edu Foundation
3rd Floor, L.K. & Sons Building, Kwakeithel Thokchom Leikai, Imphal - 795001
For more details
9402979552 / 8794961535
ENROLL TODAY
HL-B/7717/ 5,8,11,14,17,20,23,26,29,01Aug

AFFILIATED TO COUNCIL OF HIGHER SECONDARY SCHOOL, MANIPUR
**ACI SCHOOL**
A Co-educational Higher Secondary School
Kwakeithel Akham Leikai, Imphal
A school of Advanced Coaching Institute & Under the guidance of Human Resource Centre & Research Institute

**ADMISSION OPEN**
FOR
**XI SCIENCE & XI ARTS**
SPECIAL FACULTY MEMBERS
1. Physics – Dr. Devadattamani / Dr. Joyshankar/ Dr. Bidyakanta (IIT)
2. Chemistry - R.K. Bahadur / Manglembi NET (PhD)
3. Maths – Dr. Sanjit / Kiranmala (Gold medalist)
4. Zoology – Dr. Ranjita/ Kh. Seityabati
5. Botany – Dr. Bijen / Dr. Thajamanbi
Supported by special faculty members of ACI

**FEATURES**
1. For Position holders in the HSLC exam *Free ship + Book Grant + Scholarship*
2. Students who scores 85% & above *Admission free + Half tuition free + scholarship*
3. Students scores 80% and below 85% *Admission free+Scholarship+Book Grant*
4. Students scores 75% and below 80% *Half Admission free + Book Grant*
5. Students score 70% and below 75% *Half Admission*
6. Students score 60% and below 70% *Direct Admission*

World class standard classroom with Smart Class
Contact : 9862992105
www.advancecoachinginstitute.com
Direct admission - 45% and above under conditions
For few seats available
Form available: Office of Advanced Coaching Institute (offline)
HL-B/7754/ 19 to 28 July

**ADVANCED COACHING INSTITUTE** (HURRY! LIMITED SEAT)
THE LARGEST, TRUSTED & PREMIER COACHING INSTITUTE IN IMPHAL, MANIPUR
**FOUNDATION COURSE FOR NEET /JEE**
2YEARS FOUNDATION COURSE FOR CLASS XI APPEARING STUDENTS
(SURE TARGET TO FIRST ATTEMPT) FREESHIP FOR POSITION HOLDERS IN HSLC
1YEAR FOUNDATION COURSE FOR XII APPEARING STUDENTS
ONCE U ARE ADMITTED WITH DETERMINATION WE WILL SUPPORT U UNTIL SELLECTION WITHOUT ANY FEE
SPECIAL CONCESSION FOR THOSE STUDENTS WHO R FINALCIAL POOR AND MERITORIOUS
7 MONTHS FOUNDATION COURSE FOR CLASS XII PASSED STUDENTS
WORLD CLASS (A.C. ROOM) SMART CLASS WI. FI CAMPUS
1. SPECIAL SUNDAY TEST SERIES & MONTHLY MOCK TEST
2. STUDY MATERIALS BASED ON NCERT & PREVIOUS YEAR QUESTION AND ANSWER
3. Well Experienced faculties
4. separate boys & girls hostel
MEDICAL AND ENGINEERING CLASS WILL BE STARTED FROM 15TH & 18TH JUly
For more detail pliz visit facebook page/instagram & utube of Advanced Coaching Institute and website to www.advanceecoachinginstitute
LIMITED SEAT VAN SERVICE
BATCHES : 5 –9AM 6--9AM 12—3PM 4.30– 7.50pm
For Quary : 9862992105 NAGAMAPAL LAMABAM LEIKAI BRANCH & KWAKEITHEL AKHAM LEIKAI BRANCH
HL-B/7754/ 19 to 28 July

**FREE COACHING FOR CLASS X COMPARTMENTAL**
Orgd. By
Human Resource Centre & Research Institute
**SURE STEP TO MAKE SUCCESS**
BATCH
ENGLISH : 4.30 TO 5.30 A.M.
MATHS : 5.30 TO 7.00 A.M
SCIENCE : 7.00 TO 8.30 A.M.
SOCIAL SC. : 8.30 TO 10 A.M
MIL : 10 TO 11.30 A.M
FREE FOODING AND LODGING FOR S.T /S.C & OBC STUDENTS UNDER CERTAIN CONDITIONS
FIRST COME FIRST SERVE
LIMITED SEATS
FEW SEATS REMAINING
HEAD OFFICE : NAGAMAPAL BRANCH & KWAKEITHEL BRANCH
CONTACT FOR DETAIL : 8787586090
HL-B/7754/ 19 to 28 July